# এ টি এম, করেন্ট একাউন্টতগী শেল লৌথোকপগী অথিংবা আর বি আইনা লৌথোকখ্রে




*ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ৩০ঃ*
রিজার্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (আর বি আই)না ঙসিদগী করেন্ট একাউন্ট, কেস ক্রেদিট একাউন্ট অমসুং ওবর দ্রাফ একাউন্টশিং শেল লৌথোকপদা থম্লম্বা অথিংবা খুদক্তগী লৌথোকখ্রে। অদুগা ওটোমেটেদ টেল্লর মেছিন (এ টি এম)দগী শেল লৌথোকপা অথিংবা থম্বা অদুনা য়ুমশকৈশ নুমিৎতগী লৌথোক্লগনি হায়রি।

অদুম ওইনমক সেবিং বেঙ্ক একাউন্টশিংগী ওইনদি হান্নগী অথিংবা অদু অদুমক লৈখিগনি। অথুবা মতমদা খন্নদুনা অথিংবা অদু লৌথোকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ হায়না সেন্ট্রেল বেঙ্কনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

ৱাফম অসিনা তাক্লিবদি য়ুমশকৈশ নুমিৎকী মতুংদগীদি সেভিং বেঙ্ক একাউন্ট অমদগী লুপা লিশিং ১০দগী হেন্না লৌথোকপা য়ারোই হায়বা অথিংবা অদু মখা তানা চৎনরক্তবা য়াই হায়বসিনি।

অদুগুম্বা একাউন্টশিং লৈবা মীওইশিংনা এ টি এমদগী লুপা লিশিং ২৪ ফাওবা লৌথোকপা য়াগনি।

সেভিং একাউন্টশিংদগীসু অথিংবা খুদিংমক লৌথোকপা য়ারগনি হায়বগী ইঙ্গিৎ লৈরে। অদুম ওইনমক চাওনা শেল লৌথোকখ্রবা নুমিৎকী হপ্তা অমা ফাওবদি শেল লৌথোকপা য়ারোই হায়না ফোঙদোরক্লি।

করেন্ট একাউন্ট, কেস ক্রেদিট একাউন্ট অমসুং ওবর দ্রাফ একাউন্টশিংদগীদি মখল খুদিংমক্কী অথিংবশিং লৌথোক্লে। মমাঙ চহীগী নভেম্বর ৮দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অৱাংবা শেনয়েক ৫০০ অমসুং ১০০০ চৎপী চৎনররোই হায়না লাউথোকখিবা মতুং তোঙান-তোঙানবা বেঙ্ক একাউন্টশিংদগী শেল লৌথোকপদা অথিংবা থমদুনা লাকখিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টরগী খোঙথাং অদু শেঞ্জা-থুমজা অমসুং ব্লেক মনি চাদ ৮৬ লাকশিনবা ঙম্নবগী পান্দমদা চথখিবনি। আর বি আইনা হৌজিক শেনয়েক্কী অৱাৎপা লৈরিবা অদু মেনশিন্নবা চপ চানা শেল নম্বগী থবক চথখি হায়রি।

মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেটশিংদা লৈবা কেন্দিদেটশিংনা করেন্ট একাউন্ট হাংদোক্লবা পোল কম্মিসননা খঙহনখ্রে। মদু রিজার্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়ানা অথিংবা লৌথোকখিবা মতুংদা খঙহনখিবনি।

মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট ৫গী কেন্দিদেটশিংদা ইলেক্সন কম্মিসননা খঙহনখিবদা শেল লৌথোক- লৌশিনদা অপনবা থোকহন্দনবগীদমক তঙাইফদনা করেন্ট একাউন্ট হাংদোক্কদবনি হায়রি।

মমাঙদদি রিজার্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়ানা পোল কম্মিসননা হায়জরকপা ৱাফম য়াখিদবনি। অদুম ওইনমক ফিভম য়েংলগা পোল কম্মিসননা কেন্দিদেটশিংগী শেল লৌথোকপগী চাং হেনগৎনবা হায়রকখিবা অদু য়েংলগা অথিংবা থম্বা কয়া লৌথোকখ্রে।

রিজার্ব বেঙ্কনা অথিংবা লৌথোকখিবা মতুং কেন্দিদেটশিংনা তঙাই ফদনা মখোয়গী মীখলদা শীজিন্নগদবা শেলশিং লৌথোক লৌশিন তৌবদা অপনবা থোক্তনবা করেন্ট একাউন্ট হাংগদবনি হায়রি।

# ত্রিনামুল কংগ্রেসনা বজেট মীফম য়াওরোই লাউথোকখ্রে



*ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ৩০ঃ*
ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিগী ত্রিনামুল কংগ্রেসকী মেম্বরশিং য়ুমশকৈশ নুমিৎতা পুথোক্কদৌরিবা পর্লিয়ামেন্টকী বজেট মীফমদা শরুক য়ারোই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

পার্টিগী মরু ওইবা লুচিংবা দেরেক ও ব্রিয়ননা এন দি টি ভিদা ফোঙদোকখিবদা নুমিৎ অদু সরশ্বতি পূজা নুমিৎনি। নুমিৎ অদু বেঙ্গলগী ওইনদি খ্বাইদগী মরু ওইবা নুমিৎ অমা ওইরিবনি।

মরম অদুনা মহাক্কী কাংবু অমসুং পার্টিগী এম পিশিং মীফম অদু য়াওবা ঙম্লোই হায়না ফোঙদোরক্লি। লোক সভাগী স্পিকর সুমিত্রা মহাজননা ঙসি পার্লিয়ামেন্টকী এম পিশিংগী ওইবা মীফম অমা কৌদুনা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা দেরেক ও ব্রিয়ননা মখোয়গী পার্টিগী মেম্বরশিং নুমিৎ অদুদা য়াওবা ঙম্লোই হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখিবনি।

ওফিসিয়েল ওইবা চেরোল অমদা ত্রিনামুল কংগ্রেসনা হায়, চথগদৌরিবা বজেট মীফমগী অনীশুবা নুমিৎ অদুসু দিমোনিটাইজেসন য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা পার্টি অদুগী এম পিশিং মীফম য়াওরোই।

বেঙ্ক একাউন্টশিংদগী মশাগী পৈশা লৌথোকপদা হৌজিক ফাওবা থল্লিবা অককল্লবা অথিংবা অদু লৌথোক্কদবনি। পার্লিয়ামেন্টতা খন্নবা য়াওদনা চথখিবা থৌওং অদু য়ানিংদে। পার্টি অদুনা হায়, এম পি অনী সি বি আইনা লৌতুনদুনা ফাখিবগী ৱাফম পার্লিয়ামেন্টতা পুখৎকনি।

মমতা বেনর্জিগী পার্টি অদুনা ময়েক শেংনা ফোঙদোকখিবদা লৈঙাক পায়রিবা পোলিটিকেল পার্টি অমনা মখোয়গী রাজনীতিগী খুদোংচাবা ফংননবগীদমক সি বি আইবু লান্না লমজিংলে। লোয়ননা মখোয়গী শক্তি নমথবীরে হায়না মরাল শীরক্লি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী শেনয়েক থিংবগী থৌশিলগী মায়োক্তা অকনবা খোঙজং চংশিনগনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি। পার্লিয়ামেন্টকী বজেট মীফম হয়েংদগী হৌরগনি। ওপোজিসন পার্টিনা লৈঙাক অসিবু মরাল শীরদুনা ষ্টেট ৫গী মীখল পাঙথোক্কদবা লুশিল্লক্লবা মতম অসিদা খুদোংচাবা লৌননবা অমদি মখোয়গী পার্টিবু মীয়ামনা য়াহন্নবা তোঙান-তোঙানবা ৱাফম কয়া মীফম অদুদা লাউথোরকপা য়াই।

পঞ্জাব অমসুং গোৱাগী মীফম ফেব্রুৱারি ৪দগী পাঙথোক্কদবনি। বজেট মীফম নুমিৎ ৩নি চথবগী হেক মথংদা ষ্টেট খরগী মীখল হেক থংনবা নুমিৎতা পাঙথোক্কদৌরিবনি। মদুদা মীয়াম্বু থেম্নবা লৈঙাক অসিনা ৱাফম কয়া ফোঙদোরক্কনি।

উট্টরপ্রদেশকী ওইনসু ফেব্রুৱারি ১১দা অহানবা ফেজগী মীফম পাঙথোক্কদৌরিবনি। মদুতা নত্তনা পঞ্জাব, উট্টরখন্দ, মণিপুর অমসুং উট্টরপ্রদেশকী মীখলশিং মথং মথং পাঙথোক্লবা শেম শারিবনি।

ত্রিনামুল কংগ্রেসকী ওইনদি বজেট মীফম অসি অথিংবা লৈতে। অদুম ওইনমক দিমোক্রেসিগী ৱাংমদা লৈবা থবক থৌরমশিং চথরক্লবদি য়াবা ঙম্লোই। ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ওইনদি সরশ্বতি পূজা অচৌবা কুম্মৈ অমা ওইনা পাঙথোক্লিবনি। অদুগুম্বা কুম্মৈ অদু ফেব্রুৱারি ১দা তারি। মরম অদুনা মীফম অদু য়াওবা ঙম্লোই হায়রি।

# অৱাং ভারততা লৈচিল থাবনা মরম ওইরগা ত্রেন ২৮ থেংথখ্রে, ১০না অনৌবা মতম লেপখ্রে

*ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ৩০ঃ*
অৱাং ভারততা কা হেন্না লৈচিল থাবনা মরম ওইরগা ঙসি ত্রেন ২৮ মতম থেংথনা চৎখ্রে। অদুগা অতোপ্পা ত্রেন ১০না নৌনা খোঙশানবগী মতম লেপখ্রে হায়না রেলৱেজ ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরক্লি।



নোর্থন রেলৱেজ ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরকখিবদা ন্যু দিল্লি-সিলদাহ রাজধানি এক্সপ্রেস, ন্যু দিল্লি-ভুবনেশ্বর রাজধানি এক্সপ্রেস অমসুং ন্যু দিল্লি-কোলকতা রাজধানিনচিংবা ত্রেন ১০ খোঙশানগদবগী মতম নৌনা লেপখ্রে। অদুগা কথাগোদাম জয়সালমর রানিখেট এক্সপ্রেসতি কেন্সেল তৌখ্রে।

চৈরকসিদা দিল্লি ইন্টির্নেসেলন এয়ারপোর্ট লিমিটেদকী মতুং ইন্না দিল্লি তম্না পায়রক্কদবা ফ্লাইট কয়া মায়কৈ থৈদোক্তুনা পায়হনখি। অদুগা ইন্দিরা গান্ধি ইন্টর্নেসনেল এয়ারপোর্টতা তারক্কদবা প্লেনশিং মিনিট ২০ লোম থেংথখি।

এয়ার ইন্দিয়া ফ্লাইট অমসুং জেট এয়ারৱেজ ফ্লাইটকী প্লেন কয়া ঙসি অয়ুক মায়কৈ থৈদুনা চৎহনখি হায়না দিল্লি ইন্টর্নেসনেল এয়ারপোর্টকী ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোরক্লি।



*মহাত্মা গান্ধি লৈখিদবা চহী ৬৯ শুবগী থৌরমগা মরী লৈননা লৈখিদ্রবা লমজিংবা অদুগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখিবা রাজ গাটতা ঙসি প্রসিদেন্ট প্রনব মুখর্জি, ভাইস প্রসিদেন্ট হমিট অন্সারি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং লুচিংবা কয়ানা ইকায় খুম্নবা উৎখিবা*

# ক্যুবেক সিটিদা লৈবা মোস্কতা থোকখিবা নোংমৈ কপ্পগী থৌদোক্তা মীওই ৬ শীরে



*ক্যুবেক, জনুৱারি ৩০ঃ*
কনাদাগী ক্যুবেক সিটিদা লৈবা মোস্ক অমদা নোংমৈ পায়বা মীওই অমনা অতৎ অখম লৈতনা নোংমৈ কাপ্পদা য়ামদ্রবদা মীওই ৬ শীখ্রে, অদুগা ৮না অশোক অপন নংখ্রে।

পুলিসকী ৱাঙাংলোই খৃষ্টিন কুলোম্বীনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা চীংনবা মীওই ২ ফারে। মফম অদুদগী চেনখিবা ৩শুবা মীওই অমদি পুলিসনা হৌজিকসু ফাবা ঙমদনা লৈরি।

এটেক অদু করিগীদমক চথখিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। পুলিসনা মোস্ক অদুগী অকোইবদা অকনবা মওংদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে। মীৎনা উহৌবশিংনা ফোঙদোরকখিবদা ক্যুবেক সিটিদা লৈবা ইস্লামিক কলচরেল সেন্টরদা মীওই ৪০ রোম লৈরিঙৈদা নোংমৈ পায়বা মীওই ৩না মথোং মরম খঙদনা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবনি হায়রি।

করিগীদমক অদুগুম্বা থৌদোক অদু চথরিবনো। মদু খ্বাইদগী চাওখৎতবা মওং অমনি হায়না মোস্ক অদুগী প্রসিদেন্ট মুহম্মদ য়াঙ্গুইনা ফোঙদোরক্লি।

কনাদাগী প্রাইম মিনিষ্টর জষ্টিন ত্রুদ্যুনা টুইটরদা ফোঙদোরকখিবদা ক্যুবেক সিটিদা লৈবা মোস্ক অমদা এটেক্ট চথখিবা থৌদোক অদু পাংদবগী থৌদোক অমনি। ঙসি অহিংচুপ্পা কনাদাদা লৈবা মীওইশিংনা অৱাবা ফোঙদোক্কনি।

অৱাবা নংলবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারি। নাকল অরোমদা কনাদাগী প্রাইম মিনিষ্টর ফিলিফ কোইলার্দনা হায়, লৈঙাক অদুনা ক্যুবেক্কী মীয়ামশিং ঙাক শেন্নবগীদমক অকনবা থবক পায়খৎলে।

ক্যুবেক্কী মীয়াম্না অদুগুম্বা চাওখৎতবা হিংশাগী থৌদোকশিং অদুদগী লাপ্না লৈগদবনি। লৈখিদ্রবা মীওইশিংদা মুস্লিমশিংগী থাজবগী মতুং ইন্না ইকায় খুম্নবা উৎলি। ইং ২০১৬কী জুন থাদা কলচরেল সেন্টর অদুগী থোঙ্গালদা ওক মকোক অমা থমজিল্লম্বসু লৈখি।

কলচরেল সেন্টর অদুদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পা মতম অদুদা য়াঙ্গুই মোস্ক অদুগী মনুংদা লৈখিদে। মফম অদুদা নুমিদাংৱাইরমগী লাই খুরুম্নবা মীওই কয়া লাকখিবনি। মীওই কয়া শোকখ্রবগে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদে।

অশোকপা মীওইশিং অদু সহর অদুগী তোঙান-তোঙানবা হোস্পিটালশিংদা লায়কন্নখ্রবনি। মমাঙ চহীদা ক্যুবেক্তা হিংশাগী থৌদোক কয়া থোকখিবা লৈ। মুস্লিম নুপীশিংগী মায় খুম্বগী চৎনবী নিকা অথিংবা থম্বগী মতাংদা রাজনিতিগী ওইবা ৱায়েৎ কয়া পুখৎলকখিবা লৈখি।

লমদম অদুগা তাইনরিবা ওন্টরিয়ো প্রোভিন্সতা লৈবা মোস্ক অমসু ইং ২০১৫দা মৈ থাদোক্লম্বা লৈখি। মদু পেরিসতা সুসাইদ বোম এটেক্ট চথদুনা মীওই কয়া শীহনখিবগী হেক মতুংদনি হায়রি।

# নোংপোক থংবা য়ুক্রেনদা খুৎ থোক্লবদা লান্মী ৭ শীরে

*মোস্কো, জনুৱারি ৩০ঃ*
নোংপোক থংবা য়ুক্রেনদা খুৎ থোক্লবদা লান্মী ৭ শীরে হায়না লৈঙাক্কী ওফিসিয়েল অমনা ঙসি ফোঙদোরক্লি। ইং ২০১৪দগী লৈঙাক অমসুং রিবেলশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা মীওই ৯৬০০গী পুন্সি মাংখ্রে।

জনুৱারি থাদা সিজ ফাইয়র চৎননবা থৌশিল পায়খৎলকপনা লমদম অদুদা মথোং মরম খঙদনা থোকপা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক খরদি হন্থহনবা ঙমখি। নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক্তা থোকখিবা থৌদোক অদুদা য়ামদ্রবদা লান্মী ৭ শীখ্রে। অদুগা অতোপ্পা লান্মী ৯না অশোক অপন নংখি হায়রি।

রিবেলশিংনা টেঙ্ক অমসুং গ্রেদ মলটিপল গ্রেনেদ লোঞ্চরশিং শীজিন্নরকখি। দোনেটস্ককী মতাইদা রিবেলশিংনা অকনবা খোঙজং চংশিল্লকখি। মরু ওইবা মালিপোল অমসুং লুহানস্কনচিংবা মফমশিং মখোয়গী বেজ ওইনা শীজিন্নরি।

গ্রেদ লোঞ্চর হায়রিবা নোংমৈ মখল অদু হেভি কেলিভরগী মনুং চল্লি। অফবা মখলগী খুৎলায় পায়দুনা রিবেলশিংনা লমদম অদুদা লৈতাদবা ফিভম অমা থোকহল্লি। দোনেটস্কদা লৈবা মীচমশিংগী লন-থুম কয়া মাং তাকখ্রে হায়রি।

# জুন ফাওবদা কংগ্রেস প্রসিদেন্ট মীখল পাঙথোক্লবা খঙহনখ্রে

*ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ৩০ঃ*
জুন ১৫ ফাওবদা কংগ্রেস প্রসিদেন্ট খনবগী মীখল পাঙথোক্লবা খঙহনখ্রে। লোয়ননা মখা তানা মীখল শাংদোক্লবগী মতম পীরোই হায়না লৈবাক অসিগী শক্তি লৈরবা ইলেক্সন কম্মিটিননা পার্টি অদুদা অইবা চেরোল পীদুনা খঙহনখ্রে।

লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী লিরবা পার্টি অদুগী মরু ওইবা ফম অদুগীদমক ইং ২০১০দা মেম্বরশিংনা ভোট থাদনখি। সোনিয়া গান্ধি ইং ১৯৯৮তগী পার্টিগী প্রসিদেন্ট ওইদুনা লাকখি। অদুগা মহাক্কী মচানুপা রাহুল গান্ধিনা ইং ২০১৩দগী পার্টি অদুগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরকখি।

কংগ্রেসনা ৱারেপ লৌবা ঙম্বা ৱার্কিং কম্মিটিনা মীওইশিং অদু নোমিনেট তৌরকখিবনি। ইং ২০১৫দা পার্টি অদুগী মীখল পাঙথোক্লবা লেপ্নরুরবা মতুং মতম শাংনা য়ৈথোক্তুনা লাকখিবনি হায়রি।

# সার্ক লৈবাকশিংগী মীফম চয়োলসিদা নেপালদা পাঙথোক্লগনি

*কাথমন্দু, জনুৱারি ৩০ঃ*
সাউথ এসিয়ান এসোসিয়েসন ফোর রিজনেল কো ওপরেসন (সার্ক) লৈবাকশিংগী মীফম চৎলিবা চয়োল অসিদা কাথমন্দুদা পাঙথোক্লগনি। খা এসিয়াগী লৈবাক ৮গী মেম্বরশিংনা ১৯শুবা সার্ক মীফম ইস্লামবাদতা মমাঙ চহীগী নভেম্বর থাদা পাঙথোক্কদবদগী য়ৈথোকখ্রবা মতুং নৌনা মতম লেপ্তুনা মীফম অদু পাঙথোক্কদবনি।

কাথমন্দুদা পাঙথোক্কদৌরিবা সার্ক মীফম অদুদা মেম্বর ওইরিবা লৈবাকশিংগী মীহুৎশিংনা ওর্গনাইজেসন অদুগী বজেটকী মতাংদসু খন্নগনি হায়না জিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা রিপোর্ট তৌরক্লি।

সার্ক লৈবাক্কী চেয়ারমেন হৌজিকসু নেপালনা ওইরি। চেয়ারমেননা ইস্লামবাদতা পাঙথোক্কদবা মীফম অদু অফগানিস্তান, ভুটান, বঙ্গলাদেশ অমসুং ইন্দিয়ানা বোইকোট তৌগনি হায়না ফোঙদোকখিবা মতুং মতম য়ৈথোক্তুনা লাকখিবনি।

ইন্দিয়া অমসুং অতোপ্পা লৈবাক ৩না সাউথ এসিয়া লমদমদা ঙমখৈ লান্না টেরোরিজমগী থৌওং চথবা লেপকনি হায়না থাজবা পীদ্রবদি ইস্লামবাদতা মমাঙ চহীগী নভেম্বর ৯দগী পাঙথোক্কদবা মীফম অদু য়াওরোই হায়না ফোঙদোকখিবা মতুং তঙাইফদনা সার্ক চেয়ারমেননা মীফম অদু য়ৈথোক্তুনা লাকখিবনি।

সার্ক সাউথ এসিয়াগী ওইনা ইং ১৯৯৫তা লিংখৎখি। অদুগুম্বা ওর্গনাইজেসন অদুদা সাউথ এসিয়াগী লৈবাক অফগানিস্তান, বঙ্গলাদেশ, ভুটান, ইন্দিয়া, মালর্দিপ, নেপাল, পাকিস্তান অমসুং শ্রীলঙ্কা য়াওরি।

সাউথ এসিয়াগী লৈবাক ৮না ওর্গনাইজেসন অদু শেমদুনা লমদম অদুগী শেনমীৎলোন অমসুং চাওখৎ থৌরাংগী লমদা মতেং পাংননবা হোৎনখিবনি।

**GAS TODAY**

**MISAO GAS**
Booking upto .......12/10/2016
Valid from ........... 23/09/2016
Stk ...............................306
Timing........7.30 to 10.00 a.m

**KHUMBONG INDANE**
Booking upto .......04/11/2016
Valid from ........... 27/10/2016
Stk ......................612 (DBTL)
Timing........7.30 to 10.30 a.m
Submit Aadhaar Card

**K & K INDANE SERVICE**
Booking upto .......17/10/2016
Valid from ........... 10/10/2016
Stk ................................612
Timing........7.30 to 11.00 a.m
Peisa achoiba pubirak-u

**MAIBIA GAS, MOIRANG**
Booking upto .......10/10/2016
Sl. No. 11141 to 11630
Stk .......................306(DBTL)
Timing........7.00 to 11.00 a.m

# রিজর্বেসনগী মতাংদা জাটশিংনা খোঙজং চংশিনবা হৌখ্রে হরিয়ানাদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখ্রে

*রোতক, জনুৱারি ৩০ঃ*
লৈঙাক্কী থবক লৌবদা জাট কম্যুনিটিদা অখন্নবা খুদোংচাবা পীননবা তকশিন্দুনা জাট ওর্গনাইজেসন কয়ানা হরিয়ানাদা থাংজ নুমিৎতগী অকনবা খোঙজং চংশিনবা হৌখ্রে।

ফিভম অদু য়েংলগা হরিয়ানা লৈঙাক্লা ষ্টেট অদুদা পামদবা হিংশাগী থৌদোকশিং থোক্তনবগীদমক অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখ্রে। মমাঙ চহীদা জাট কাংলুপ্তা খুদোংচাবা পীয়ু হায়না চংশিল্লকখিবা খোঙজংদা মীওই ৩০গী পুন্সি মাংখিবা অমসুং লন-থুম কয়া মাং তাকহনখিবসু লৈখ্রে।

রাজসিংহ হুদা কৌবা আখিল ভারতিয়া জাট অরক্ষ্যান সঙ্গরস সম্মিটিনা রোটক দিষ্ট্রিক্টতা অকনবা খোঙজং চংশিনগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

মখোয়গী ইমুং মনুংশিংনা লৈখিদ্রবশিংগীদমক কম্পেনসেসন পীবা নত্রগা লৈঙাক্কী ওইবা থবক পীবা অমত্তা লৈতে। জাট কাংলুপকী নহা ওইরিবা মীওই কয়া মমাঙ চহীদা চথখিবা খোঙজংদা লৈখিদ্রবনি। ফিভম অদুনা মরম ওইরগা অমুক হন্না লম্বীদা থোক্লক্তুনা খোঙজং চংশিন্নবগী মরম ওইহল্লকই হায়না হুদানা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মমাঙ চহীদা ওইখিবা হিংশা য়াওবা থৌদোক অদুগুম্না ওইহন্দনবা হরিয়ানা লৈঙাক্লা অহেনবা ফোর্স শীজিন্নদুনা লাকশিন্নবা থৌরাং তৌরি। হৌজিক হৌজিক ষ্টেট অদুদা পেরামিলিটরি ফোর্স কম্পেনি ৩৭না মীৎকুপ নাহুম শীংনা মথৌ তৌরি। অহেনবা পেরামিলিটরি ফোর্স য়ুনিট ৫৫ পীবিরক্লবসু হায়জখ্রে হায়রি।

লমদম অদুদা ওইরিবা ফিভম অদু য়েংলগা মীয়াম তিনবদা অথিংবা থমখ্রে। সোনিপট, ঝঞ্জর অমসুং ষ্টেট অদুগী অতোপ্পা মফমশিংদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা হৌখ্রে।

পামদবা থৌদোক থোক্লককপশিং থেংননবা চপ চানা শেম শাদুনা লৈরে। অদুম ওইনমক তোঙান-তোঙানবা ওর্গনাইজেসনগী মীওই কয়ানা শান্তি ওইবা মওংদা ধরনা পাঙথোকপদা অথিংবা থমদ্রবসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনশিংনা আইন ঙাক্লনবা চপ চাবা থবক পায়খৎকনি হায়নসু এদিস্নেল চীফ সেক্রেটরি (হোম) রামনিৱাজনা ফোঙদোরক্লি।

নাকল অমরোমদা তোঙান-তোঙানবা ওর্গনাইজেসন কয়াগী লুচিংবশিংনা ধরনা য়াওনা শান্তি ওইবা খোঙজং কয়া চংশিনগনি হায়না ফোঙদোক্লি। হরিয়ানাগী চীফ মিনিষ্টর মনোহর লাল খতারনা খোঙজং চংশিল্লবশিংদা ষ্টেট অদুগী তংদু লৈতাবগী ফিভম ঙাক্লা চৎনবা অমদি খোঙজং চংশিল্লিবশিংগা ৱারি শান্নবা লৈঙাক অদুনা মতম পুম্বদা থোঙ লাওনা হাংদুনা লৈ হায়না ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা হায়, দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা মীপুম খুদিংমক্না মখোয়গী অনিংবা অমসুং অপাম্বশিং শান্তি ওইবা মওংদা ফোঙদোক্লবগী হক লৈ। মদু ঙাক্লা চৎকদবনি হায়রি।

# এন ই সিনা অৱাং নোংপোক্তা অফবা হায়ৱে শেমগৎনবা থৌরাং তৌরি

*সিল্লোং, জনুৱারি ৩০ঃ*
অৱাং নোংপোক লমদমগী কিলোমিটর ৬১৫ শাংবা ষ্টেট ৭ ফাওনা চৎকদবা লম্বী শেমগৎনবা নোর্থ ইষ্টর্ন কাউন্সিলনা নোর্থ ইষ্ট রোদ সেক্টর দিভলপমেন্ট স্কিমগী মখাদা শেল কায়থোকখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

নোর্থ ইষ্ট কাউন্সিলগী মখাদা অহানবা ওইনা অচৌবা প্রোজেক্ট পায়খৎতুনা ষ্টেট ৭ শম্নহন্নবা লম্বী ১৪ শেমগৎপগী থবক ইং ২০১৭-১৮দা পায়খৎকনি হায়রি।

নোর্থ ইষ্ট রোদ সেক্টর দিভলপমেন্ট স্কিম (এন ই আর এস দি এস)না ষ্টেট ৭কী লম্বী থোং শেমগৎপা অমসুং মেন্টিনেন্স তৌবগী থবক পায়গনি হায়নসু এন ই সিগী সেক্রেটরি রাম মুইভানা ফোঙদোরক্লি।

শেমগৎ শাগৎকদৌরিবা হায়ৱেশিং অদুগী মনুংদা অরুনাচল অমসুং অসাম শম্নগদবা কিলোটির ৬৭ শাংবা মেবো-ধোলা লম্বী য়াওরি। মদুতা নত্তনা এন ঐচ ২০২, এন ঐচ ১৫০ অমসুং এন ঐচ ২ (ইম্ফাল-দিমাপুর) লম্বীগী থোং কয়া শেমগৎ-শাগৎপগী প্রোজেক্ট অদুদা য়াওরি।

কাউনপুরি-বৈরাবি হায়না খঙনবা মিজোরামগী লম্বী অমদি ত্রিপুরাগী বেলোনিয়া-অগ্নিঘাট-সব্রুম লম্বী শেমগৎ শাগৎপসু য়াওরি হায়রি।

*সনা-সুদোকু- ৭৭২ গী সোল্যুস*

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 5 | 8 | 9 | 6 | 7 | 3 | 1 | 4 |
| 9 | 4 | 6 | 8 | 1 | 3 | 7 | 5 | 2 |
| 1 | 7 | 3 | 5 | 4 | 2 | 9 | 6 | 8 |
| 7 | 6 | 5 | 1 | 3 | 4 | 2 | 8 | 9 |
| 8 | 3 | 1 | 7 | 2 | 9 | 6 | 4 | 5 |
| 4 | 2 | 9 | 6 | 8 | 5 | 1 | 7 | 3 |
| 6 | 9 | 4 | 3 | 7 | 8 | 5 | 2 | 1 |
| 5 | 1 | 2 | 4 | 9 | 6 | 8 | 3 | 7 |
| 3 | 8 | 7 | 2 | 5 | 1 | 4 | 9 | 6 |

# SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-773**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | 9 | | | |
| 1 | 5 | | | 3 | | 7 | | 4 |
| | 9 | | 1 | | 8 | | | |
| 9 | | | | | | | | 5 |
| | | 5 | | 1 | 3 | | | 7 |
| 8 | | 6 | | | | | | |
| 4 | 2 | 3 | | | | | 8 | |
| | 1 | 7 | | 5 | | | | |
| 5 | | | | | | 1 | | |